ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯠꯁ

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Sunday, January 17, 2021, Imphal | Page 11



ওরিষা স্পোর্টসকা খূৎশম্নদুনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিং অদু চাওনা মায় পাক্তুনা অহেনবা থাক্তা পুরকপা ঙল্লে হায়না ফোঙদোকখিবা এ আই এফ এফকী জেনরেল সেক্রেটরি কুশল দাস

য়ু এস এগী নেসনল বাস্কেটবোল এসোসিএসনগী সিজন ২০২০-২১গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা ন্যু ওর্লিয়েন্স পেলিকান্সপু ১১২-৯৫দা মায়থীবা পীখিবা লোস এঞ্জেলিস লেকর্সকী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা লিব্রোন জেমস



## নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্পেনগী কেরোলিনা মারিন অমসুং চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু থেংনরগনি

বেঙ্কোক, জন্যুৱারী ১৬(এজেন্সী): বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা থা অসিগী ১২দগী হৌখিবা য়োনেক্স থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোয় চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু য়িং অমসুং মঙাশুবা সিদেদ শান্নরোয় স্পেনগী কেরোলিনা মারিনগা লম্বা তৌনরগনি।



*থাইলেন্দ ওপনগী নুপীগী ফাইনেলদা থেংনগদৌরিবী চাইনিজ টাইপৈগী টাই জু অমসুং স্পেনগী মারিন (য়েৎ)*

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস সেমীফাইনেলদা টাই জু য়িংনা দেনমার্ককী মিয়া ব্লিচফেল্ডটপু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-৮, ২৩-২১দা থোইরমখি। অমরোমদা, স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা মহাক্কী সেমীফাইনেল মেটচতা সাউথ কোরিয়াগী আন সে য়ংবু ২১-১৮, ২১-১৬তা মায়থীবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলূপ্তা মালেসিয়াগী প্যের গো ভি সেম অমদি তান ৱি কিয়োংগী প্যেরনা চাইনিজ টাইপৈগী প্যের টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ ওইরিবা লি য়াং অমদি ৱাং সী লিনগা লম্বা তৌনগদৌরি। মালেসিয়াগী প্যের অদুনা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা ইন্দোনেসিয়াগী প্যের লিও রোলি কর্নান্দো অমদি লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় দেনিএল মার্টিনবু ২১-১৯, ২১-১০দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয়গা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা অতোপ্পা প্যের অদু চাইনিজ টাইপৈগী লি য়াং অমদি ৱাং সি লিননা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা সাউথ কোরিয়াগী প্যের সোই সোলগু অমদি সিও সিয়ুং জেবু অকনবা লম্বা অমদা গেম ২-১দা থোইখি। অহানবা গেম অদু ৭শুবা সিদেদ ওইখিবা সাউথ কোরিয়াগী প্যের অদুনা ২১-১৫দা থোইখি। মদুগী মতুং মখা তারকপা গেম অনীদা চাইনিজ টাইপৈগী প্যের অদুনা ফজবা হেল্লকপদগী ২১-১৪, ২১-১৪দা থোইরগা ফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী অহানবা সেমীফাইনেলদা থাইলেন্দগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৭শুবা সিদেদ ওইরিবা জোংকোলফান কিটিথারাকুল অমদি রাৱিন্দা প্রজোংজিয়ানা সাউথ কোরিয়াগী প্যের কিম সো য়োং অমদি কোং হি য়োংবু ২১-১৭, ১৭-২১, ২২-২০দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয়না ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা প্যের অদু টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ প্যের ইন্দোনেসিয়াগী গ্রোসিয়া পোলি অমদি অপ্রিয়ানি রাহায়ুনি। গ্রেসিয়া অমসুং অপ্রিয়ানিনা মখোয়গী সেমীফাইনেলদা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী প্যের টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ লি সো হি অমসুং সিন সিয়ুং চানবু ১৫-২১, ২১-১৫, ২১-১৬তা থোইরমখিবনি।

মিক্স দবলগী কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ থাইলেন্দগী কোভারানুক্রো অমদি টেরাটানাচাই অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী প্রভিন জোর্দান অমসুং মেলাটি ওক্টাভিয়ান্টিগা লম্বা তৌনরগনি। ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস সেমীফাইনেলদা দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেন অমসুং হোং কোংগী ঙা কা লোং এঙ্গস মায় পাক্তুনা হয়েং শান্নগদৌরিবা ফাইনেলদা থেংনরগনি।

## অসামগী ক্রিকেট টিমনা সায়দ মুষ্টাক অলি ট্রোফি টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা বেঙ্গলবু রন ১৩দা থোইখ্রে

কোলকাটা, জন্যুৱারী ১৬(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক ক্রিকেটকী য়াম্না মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সায়দ মুষ্টাক অলি ট্রোফি টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি কোলকাটাগী ইদেন গার্দেন্স ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখিবা এলিট গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা অসামনা বেঙ্গলবু রন ১৩দা মায়থীবা পীখ্রে।



*বেঙ্গলগী মায়োক্তা আউট ওইদনা বোল ৫৪দা রন ৭৭ লৌখিবা অসামগী বেটসমেন রিয়ান পরাগ*

মেটচ অদুগী টোস বেঙ্গলনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা অসামনা অপীবা ওভর ২০গী মনুংদা বেটসমেন ৫ আউট ওইরগা রন ১৫৭ লৌবা ঙমখি। অসামগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফীভম শোকখি। ওপনর রিসব দাস রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা ইন্নিংসকী অহানবা ওভরদা আউট ওইখি। টিম অদুগী কেপ্টেন রিয়ান পরাগনা আউট ওইদনা বোল ৫৪দা সিক্স অমসুং ফোর ৫/৫ য়ৈদুনা টিম অদুগী অপূনবা স্কোর ১৫৭ য়ৌহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

মায় পাক্লনবা বেঙ্গলগী মায়কৈদগী রন ১৫৮গী টার্গেট অদু টিম অদুনা অপূনবা ওভর ২০ শান্নরকপদা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ১৪৪খক লৌখিবদগী রন ১৩দা মায়থীবা নংখিবনি। বেঙ্গলগী মায়কৈদগী কেপ্টেন অনুষ্টুপ মজুমদারনা আউট ওইদনা বোল ৪৭তা রন ৪৮ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

এলিট গ্রুপ সীগী মেটচ অমদা বরোদানা মহারাষ্ট্রবু রন ৬০দা মায়থীবা পীখি। মেটচ অদুগী টোস মহারাষ্ট্রনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌরকপদা বরোদানা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১৫৮ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী কেপ্টেন অমদি ওপনরসু ওইখিবা কে দেবধরনা বোল ৭১দা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ১১ য়ৈদুনা আউট ওইদনা রন ৯৯ লৌখিবা পর্ফোর্মেন্স অদুনা ইন্নিংস অদুগী মপূং ওইখি। মায় পাক্লনবা মহারাষ্ট্রনা রন ১৫৯ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু টিম অদুগী বেটসমেন ১০মক ১৭শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা শুপ্নগী রন ৯৮খক লৌবা ঙমখিবা অদুনা মেটচ অদু মখোয় বরোদাগী মখূৎতা রন ৬০দা মায়থীবা নংখিবনি।

এলিট গ্রুপ এগী মেটচ অমদা কর্নাটাকানা রেলৱেজবু ৱিকেট ২দা মায়থীবা পীখি। বেঙ্গলুরুগী অলুরদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা রেলৱেজনা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী ওভর ২০দা ৱিকেট ৫ আউট ওইরগা রন ১৫২ লৌবা ঙমখি। কর্নাটাকানা মায় পাক্লনবা রন ১৫৩ লৌগদবা অদু ২০শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৫৮ য়ৌদুনা ৱিকেট ২দা থোইখি।

## ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন য়াওনবা লাকখিবা শান্নরোয় ৪৭ ক্বারন্টিনদা লৈরি

মেলবোর্ন, জন্যুৱারী ১৬(এজেন্সী): চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী শরুক য়াবা লাকখিবা শান্নরোয় ৪৭ হৌজিক-হৌজিক ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈরি।

পনবা য়াবদি, মেলবোর্নদা লাকখিবা শান্নরোয়শিংনা তোংলকপা চার্টর ফ্লাইটশিং অদুগী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অহুম থেংনরকপদগী অকনবা এস ও পিগা লোয়ননা থুংলখিবা শান্নরোয় অমদি ওফিসল পূম্নমক হোটেলদা নুমীৎ ১৪নিগী ওইবা ক্বারন্টিনদা থম্লি।

য়ু এস এগী লোস এঞ্জেলিসতগী লাকখিবা শান্নরোয় ২৪না তোংলকপা চার্টর ফ্লাইটশিং অদুদা ক্রু মেম্বর অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখিবনি। মদুদসু নৎতনা য়ু এ ঈগী কোনুং অবুধাবীদগী পাইরকখিবা চার্টর ফ্লাইট অমদা শান্নরোয় নৎতবা মীওই অমসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী মেলবোর্নগী হেল্থ ফেসিলিটিশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা থুংলখিবা পূম্নমক মখোয়-মখোয়গী হোটেলগী কাদগী নুমীৎ ১৪নি থোকপা য়ারোইদবা মওংদা ক্বারন্টিন তৌদুনা থমখি।

ক্বারন্টিন মনুংদা শান্নরোয়শিং অদুনা প্রেক্টিস তৌবা য়াবগী খূদোংচাবসু পীরোইদৌরি। মখোয়না নুমীৎ ১৪নিগী মতুংদা অমুক হন্না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরবা মতুংদা প্রেক্টিস তৌবা অমদি হোটেলগী কা অদুদগী থোকপা য়াহনগদৌরি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী দিরেক্টর ওইরিবা ক্রেগ টাইলিনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগী মায়োক্তা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং পূম্নমক নাহন্দনবগীদমক্তগী লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অসিদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবনি। মসিদা চাওরাক্লা টুর্নামেন্ট অসিগীদমক্তগী মীওই ১২০০ লাক্কদৌরিবা অসি কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লনবা মখোয়-মখোয়না লৈরিবা হোটেলশিং অদুদা য়ামদ্রবদা নুমীৎ ১৪নিগী ক্বারন্টিন তৌবা অসিদা মতেং পীরকখিবা পূম্নমকপুসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

লাক্লিবা মীওইশিং অদুগী মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবশিং অদু অনৌবা ভেরিএন্ট অদুগীদি থেংনবা লৈত্রি।

## জর্মনি, হঙ্গেরি, কটার, পোলেন্দ, অর্জেন্টিনা অমসুং দেনমার্ক মায় পাকখ্রে, ব্রাজিল অমসুং স্পেন দ্রো চৎখ্রে

EGYPT 2021
27TH MEN'S HANDBALL WORLD CHAMPIONSHIP



*২৭শুবা মেন্স হেন্দবোল ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা উরুগুৱেগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবা জর্মনিগী শান্নরোয়*

কাইরো, জন্যুৱারী ১৬(এজেন্সী): ইজিপ্টনা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১৩দগী শান্নবা হৌখিবা ২৭শুবা মেন্স হেন্দবোল ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপ মেটচশিংদা জর্মনি, হঙ্গেরি, কটার, পোলেন্দ, অর্জেন্টিনা অমসুং দেনমার্ক মায় পাকখ্রে। ব্রাজিল অমসুং স্পেন দ্রো চৎখ্রে।

গ্রুপ এদা জর্মনি অমসুং উরুগুৱেনা কাইরোদা লৈবা ডা. হাসন মুষ্টাফা ইন্দোর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জর্মনিগী মায়কৈদগী ফজবা ঙম্বদগী পোইন্ট ৪৩-১৪দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। হায়রিবা মেটচ অদুদা জর্মনিগী মায়কৈদগী কেপ্টেনিংনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।


গ্রুপ অদুমক্তদা হঙ্গেরি অমসুং কেপ ভর্দিনা লম্বা তৌনবা মেটচ অদুদা হঙ্গেরিগী মায়কৈদগী পূন্না পোইন্ট ৩৪-২৭তা থোইদুনা গ্রুপ অদুদা জর্মনিগা পোইন্ট ২/২ ফংমিন্নবা ঙমখি।

গ্রুপ বিদা পোলেন্দ অমসুং টুনিসিয়ানা ন্যু কেপিটেল স্পোর্টস হোলদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা য়াম্না নক্নবা লম্বাদা পোলেন্দনা ৩০-২৮দা থোইখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা টিম অনীমক লম্বা মান্নবদগী পোইন্ট ১৭-১৭তা লৈখি। অদুবু অনীশুবা হাফতা পোলেন্দনা ফজবা খরা হেল্লকপদগী টুনিসিয়াদগী পোইন্ট ২ হেল্লগা ৩০-২৮দা থোইবা ঙমখি। মায় পাক্লবা পোলেন্দগী মায়কৈদগী মোরিটোনা পূন্না পোইন্ট ১৩ স্কোর তৌরগা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

গ্রুপ অদুমক্তদা স্পেন অমসুং ব্রাজিল লম্বা তৌনরকপদা পোইন্ট ২৯-২৯দা দ্রো চৎখি। অহানবা হাফতা স্পেননা ১৬-১৩দা হেন্দুনা লৈরম্বা অদু ব্রাজিলনা ফুগৎলক্তুনা দ্রো চৎপা ঙমখি।

গ্রুপ সীদা কটারনা এঙ্গোলাবু পোইন্ট ৩০-২৫দা মায়থীবা পীখি। কটারগী মায়কৈদগী মদাদিনা পোইন্ট ৮ স্কোর তৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় ওইখি। গ্রুপ অদুদা ক্রোএসিয়া অমদি জপানগী লম্বা পোইন্ট ২৯-২৯দা দ্রো চৎখি। অমরোমদা, গ্রুপ দিগী মেটচ অনীদা দেনমার্কনা বহারেনবু অদুগা অর্জেন্টিনানা কোঙ্গোবু মায়থীবা পীখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 8**

**Bareev, Evgeny (2365) - Yakovich, Yuri (2480)**

**URS-ch U20 Tallinn, 1986**

| | |
|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.c4 dxc4 |
| 3.Nf3 Nf6 | 4.Nc3 a6 |
| 5.e4 b5 | 6.e5 Nd5 |
| 7.a4 Nxc3 | 8.bxc3 Qd5 |
| 9.g3 Be6 | 10.Bg2 Qb7 |
| 11.O-O Bd5 | 12.e6 Bxe6 |
| 13.Ng5 Bd5 | 14.Bxd5 Qxd5 |
| 15.axb5 e6 | 16.Re1 Nd7 |
| 17.Qh5 g6 | |

**QUESTION :**
**White wins in 3 moves**

**[Puzzle 7 Ans. : 66.**Ka2 Qc4+ **67.**b3 Ra1+ **68.**Kxa1 Qxc3+ **69.**Kb1 Qa1#]

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN
CLASS 10 REVISION COURSE Starts on 21st Jan, 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Limited seats with proper SOP
TOPPERS of 2020



1st Position Reshmi N. D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi Pitambra E/School
9th Position Noveena Ksh D/o. Sarvodayachand & S. Aradhana Nirmalabas
10th Position Chaitan Y. S/o. Y. Shantikumar & T. Romila St. Joseph
15th Position Th. Jeet S/o. Th. Rashi & Th. Shanti St. Joseph
19th Position Dhanthoi S. D/o. S. Homeshor & O. Amita Nirmalabas
19th Position Mary L. D/o. Dr. John P. & Dr. Rothangpui Little Flower
25th Position H. Nandibala D/o.H. Nandalal & S. Madhubala Nirmalabas
25th Position Henry O S/o. O. Kumud & K. Ranjita St. Joseph

1ST POSITION 2020



Reshmi Nandeibam

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Date | 18/02/2021 | 22/02/21 | 24/02/21 | 27/02/21 | 03/03/21 | 06/03/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| FIRST COME FIRST SERVE ( ONLY 250 STUDENTS ) | Sub: | English | Maths | MIL | S. Sc. | Science | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 8732022342 VAN AVAILABLE
HL-B/6686/9/1-8/2

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM) 25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.) & CLASS -X(BOSEM) 25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.)
HSE Result 2019
19th POSITION



Rakesh Ningthoujam
MECI Explorer Academy
FOUNDATION COURSE for
CLASS -X(BOSEM)
25th Jan. 2021 (2:00 p.m. - 5:00 p.m.)
HSLC Examination Result 2020 at a GLANCE



6th POSITION Jessica Konthoujam Little Flower School
12th POSITION Rabindra Moirangthem St. Joseph School
14th POSITION Ningthoujam Reona Devi Trinity Public School
Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol Contact : 9862712287
HL-P/6601/11/1-25/1